## গুজরাটতা ইণ্ডিয়ন নেভিগী ড্রোন কায়খ্রে

মুম্বাই, এপ্রিল ১৫



ইণ্ডিয়ন নেভিগী রিমোটলি পাইলোটেদ এয়রক্রাফট, আরপিএ অমা ঙসি গুজরাটকি পোরবণ্ডর ডিষ্ট্রিক্টতা কায়খ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকপা মতুং ইন্না ইণ্ডিয়ন নেভিগী ড্রোন অদু ঙরাং পোরবণ্ডর টাউন্দগী কিলোমিটর ২৫ রোম লাপ্পা লৈবা মফম অমদা কায়খিবনি।

অদুবু ড্রোন অদু মী তাদবা মফম অমদা কায়খিবনা মরম ওইদুনা মদু কায়দুনা তাশিল্লকপদা মীশি–মীনা নৎত্রগা লন–থুম অমাঙ–অতা থোকপনচিংবা অমতা লৈখিদে হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি।

ডিফেন্সকি ৱাঙাঙলোয় অমনা হায়খি, আরপিএ অদু চাং নাইনা পাঙথোকপা সর্বিল্লান্স মিসন অমদা পোরবণ্ডরদা লৈবা নেভেল বেজদগী পাইখৎখিবা ঙাইহাক্কি মতুংদা কায়খিবনি।

থৌদোক্তুগী মতাংদা বোর্ড ওফ ইনক্বাইরি অমা চথনবা ইণ্ডিয়ন নেভিনা খঙহনখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোক্লি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা মার্চ ২২ দসু ইণ্ডিয়ন নেভিগী আরপিএ অমা পোরবণ্ডরদা কায়খ্রবনি।–পিটিআই

## এমপিদা ট্রেন গুরুং চৎপদা তরুক শোক্লে

জবলপুর, এপ্রিল ১৫

মধ্য প্রদেশকি কাটনি ডিষ্ট্রিক্টতা কাটনি–চৌপান পেসেঞ্জর ট্রেন গুরুং চৎপদগী য়ামদ্রবদা পেসেঞ্জর তরুক শোক্লে হায়না রেলৱে ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সকি ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকপা মতুং ইন্না থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাংপুং তরারোম তাবদা কাটনি ডিষ্ট্রিক্টকি সালনা অমসুং পিপরিয়া কলান রেলৱে ষ্টেসনগী মরক্তা থোকখিবনি।

গুরুং চৎপদুদা ট্রেন অদুগী কোচ মঙা টালিদগী নাহোক্তুনা তাখি হায়না ফোঙদোক্লদুনা ওফিসিয়েলদুনা হায়খি, থৌদোক্তুদা পেসেঞ্জর তরুক শোকখি।

থৌদোক অদু কনফার্ম তৌরদুনা ৱেষ্ট সেন্ট্রেল রেলৱেগী চীফ পব্লিক রিলেসন ওফিসার গঞ্জন গুপ্তনা হায়খি, ট্রেন অদু গুরুং চৎখিবগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি।

থৌদোক অদু থোকখিবগা খুদক্তা রিলিফ ট্রেন অমা থৌদোক থোকফমদুদা থাদুনা পেসেঞ্জরশিং মখোয়গী লমথুংফম ফাওবা পুখ্রে হায়নসু গুপ্তনা ফোঙদোক্লি। –পিটিআই

### কর্ণাটকাগী এসেমব্লী মীখল

# কংগ্রেসনা খ্বায়দগী চাউবা পার্টি ওইগনি ঃ ওপিনিয়ন পোল

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫



মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কর্ণাটকাগী এসেমব্লী মীখলদা কংগ্রেসনা সিট খ্বায়দগী হেন্না ফংলবসু মেজোরিটিগীদমক দরকার ওইবা মশিংদি শুরদবা য়াই হায়না ওপিনিয়ন পোল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইণ্ডিয়া টুডে গ্রুপ–কার্ভি ইনসাইটসকি ওপিনিয়ন পোল অদুনা ষ্টেটসিদা হৌজিক শক্তি পায়রিবা কংগ্রেসনা লাক্লিবা মীখলসিদা অপূনবা সিট ২২৪ গী মনুংদা সিট ৯০ দগী ১০১ ফাওবা ফংলবা য়াই হায়না উৎলি।

পার্টি অমনা ষ্টেটসিদা শক্তি পায়নবগীদমক য়ামদ্রবদা সিট ১১৩ ফংবা দরকার ওইরিবনি। হৌখিবা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা ষ্টেটসিগী মমাঙগী মীখলদদি কংগ্রেসনা সিট ১২২ ফংখিবনি।

লাক্লিবা মীখলসিদা বিজেপিনা সিট ৭৮ দগী ৮৬ ফাওবা ফংদুনা অনীশুবা তারবা য়াই হায়না ওপিনিয়ন পোলদুনা ফোঙদোক্লি।

মমাঙগী এসেমব্লী মীখলদদি বিজেপিনা শুপ্নগী সিট ৫০ খক ফংখিবনি।

মথং থাগী মীখলসিদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ঐচদি দেবে গৌড়াগী জনটা দল–এসনা সিট ৩৪ দগী ৪৩ ফাওবা ফংদুনা মথংগী গবর্ণমেন্ট শেম্বদা মরুওইবা থৌদাং লৌরবা য়াই হায়বা ৱাফম পোলদুনা থম্লি।

মমাঙগী মীখলদা পূন্না সিট ৪০ ফংখিবা জনটা দল–এসনা লাক্লিবা মীখল অসিদদি বহুজন সমাজ পার্টি, বিএসপিগা চৎমিন্নরিবনি।

ওপিনিয়ন পোল অদুগী মতুং ইন্না মমাঙগী মীখলগা মান্ননা লাক্লিবা মীখল অসিদসু কংগ্রেসনা অপূনবা ভোটকি চাদা ৩৭ ফংলবা য়াই হায়রি।

বিজেপিনা লাক্লিবা মীখল অসিদা অপূনবা ভোটকি চাদা ৩৫ ফংবগা লোয়ননা জনটা দল–এস অমসুং বিএসপিগী এল্লাইন্সনা অপূনবা ভোটকি চাদা ১৯ ফংলবা য়াই হায়না ওপিনিয়ন পোলদুনা ফোঙদোক্লি।

ইণ্ডিয়া টুডে গ্রুপ–কার্ভি ইনসাইটসকি সর্বে অসি হৌখিবা হৌখিবা মার্চ ১৭ তগী এপ্রিল মঙা ফাওবা ষ্টেটসিগী এসেমব্লী কন্সটিটুয়েন্সি ২২৪ মক্তা চথখিবনি।

অপূনবা রেস্পোণ্ডেন্টশিংগী চাদা ৪৫ না মথং চহী মঙা অমগা ষ্টেটসিদা শক্তি পায়নবগী তাঞ্জা কংগ্রেসতা পীবা পামই হায়নসু ওপিনিয়ন পোলদুনা ফোঙদোক্লি।

পনবা য়াবদি পুন্না মেম্বর ২২৪ লৈবা কর্ণাটকা এসেমব্লীগী মীখল লাক্লিবা মে ১২ দা পাঙথোক্কদবনি অমসুং ভোট মশিংনা মে ১৫ দা থীগদবনি।

কংগ্রেসনা খাথংবা ইণ্ডিয়াগী ষ্টেটসিদা অমুক হন্না শক্তি পায়নবা হোৎনবগা লোয়ননা বিজেপিনসু পার্টিসিবু ইহুনবা হোৎনরিবনি।

কংগ্রেসনা মীখল অসি চীফ মিনিষ্টর সিদ্দারামাইয়াগী লুচিং মখাদা অমুক হন্না থেংনবগা লোয়ননা বিজেপিনা বিএস য়েদ্যুরপ্পাবু মখোয়গী চীফ মিনিষ্টরিয়েল কেণ্ডিডেট ওইনা পুথোক্লি।

লাক্লিবা মীখল অসিগীদমক বিজেপিগী ওইনা পূন্না মিং ৭২ য়াওবা মখোয়গী অহানবা মীরেপকি লিষ্ট হৌখিবা এপ্রিল নিপান্দা হান্ননা লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ঐচদি দেবে গৌড়ানা লুচিংবা জনটা দল–এসকি ওইনসু হান্ননা মীরেপ ১২৬ কি মিং লাউথোকখ্রে।

–পিটিআই

# ছট্টিসগড়দা সিপিআই (মাওইষ্ট) কি কাডর মঙা খুৎলায় থাদোকখ্রে

রাইপুর, এপ্রিল ১৫

ছট্টিসগড়গী নক্সলাইটকি ইরাংনা শোকহল্লিবা নরায়নপুর ডিষ্ট্রিক্টতা সিপিআই (মাওইষ্ট) কি কাডর মঙা খুৎলায় থাদোকখ্রে হায়না সেনিয়র পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

নরায়নপুরগী সুপরিন্টেণ্ডেন্ট ওফ পুলিস জিতেন্দ্র শুক্লানা ফোঙদোকপা মতুং ইন্না মাওইষ্টশিং অদু ঙরাং কুকদাঝোর পুলিস ষ্টেসন্দা পুলিস অমসুং ইণ্ডো–টিবেটান বোর্ডর পুলিস, আইটিবিপিগী ওফিসিয়েলশিংগী মমাঙদা খুৎলায় থাদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রবা মঙামক লোনা অথিংবা থমখ্রবা সিপিআই (মাওইষ্ট) কি জন–মিলিসিয়া মেম্বরশিংনি।

এসপিনা হায়খি, মাওইষ্টকি ঈহৌগী মিংদা চত্থবা হীংসা অমসুং মীওৎ–মীনৈদা পেল্লক্তবা অমদি মখোয়গী এরিয়াদা চাওখৎ থৌরাং উবা পাল্লকপদগী মখোয় খুৎলায় থাদোক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লক্লবা ৱারেপ লৌরকখিবনি।

ষ্টেট গবর্ণমেন্টকি সরেণ্ডর অমসুং রিহেবিলিটেসন পোলিসিগী মখাদা খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অসিদা পীবা য়াবা মতেংশিং পীরগনি হায়নসু এসপিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

–পিটিআই

# মেক্কা মসজিদতা বোম পোকখায়খিবা ঃ ঙসি রাই লাউথোক্লনি

হায়দরবাদ, এপ্রিল ১৫



হৌখিবা ২০০৭ তা হায়দরবাদকি মেক্কা মসজিদতা বোম পোকখায়খিবগা মরী লৈনবা কেসকি রাই হয়েং স্পিসিয়েল এনআইএ কোর্ট অমনা লাউথোক্লগনি।

মরিশুবা এডিসনেল মেট্রোপোলিটান সেসন্স কম স্পিসিয়েল কোর্ট ফোর এনআইএ কেসেসনা মমাঙ চেয়োলদা কেস অসিগী ৱায়েল চত্থবা লোইশিনখিবগা লোয়ননা হয়েং রাই লাউথোক্লবা লেপখিবনি।

পনবা য়াবদি ইরাইগী লাইশোন মনুং হৌখিবা ২০০৭ কি মে ১৮ দা পুৱারিক ওইরবা হায়দরবাদকি মেক্কা মসজিদতা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মীওই মাপন শিখিবনি অমসুং অতোপ্পা ৫৮ না শোকখিবনি।

অহানবদা কেস অসি লোকেল পুলিসনা থিগৎপগী থবক চত্থরম্বদগী সিবিআইদা শিন্নখিবনি।

মতুংদা ২০১১ দা কেস অসি সিবিআইদগী অমুক নেসনেল ইনবেষ্টিগেসন এজেন্সি, এনআইএদা মখা তানা শিন্নখিবনি।

রাইট ৱিং ওর্গেনাইজেসন অমগীনি হায়বা মীওই তরা কেস অসিদা একুজ ওইনা মমিং পল্লি।

অদুবু দেবেন্দ্র গুপ্ত, লোকেশ শর্ম্মা, স্বামি অসিমানন্দ এলাইজ নবা কুমার সরকার, ভারত মোহনলাল রতেশ্বর এলাইজ ভারত ভাই অমসুং রাজেন্দ্র চৌধরি কৌবা মীওই মঙাখক্কি মথক্তা ৱায়েল চত্থরকখিবনি।

সন্দিপ ভি দাঙ্গে অমসুং রামচন্দ্র কালসঙ্গ্রা কৌবা একুজ অনীনা হৌজিক ফাবা ঙমদনা লৈবগা লোয়ননা সুনিল যোশি কৌবা একুজ অমনা শিখ্রে।

অতোপ্পা একুজ অনীগী মথক্তুনা হৌজিকসু মখা তানা থিগৎপগী থবক চত্থরি।

কেস অসিগী ৱায়েল মনুংদা পূন্না শাখি ২২৬ না মখোয়গী ৱারোল পীখিবগা লোয়ননা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী ডোক্যুমেন্ট ৪১১ সু পুথোকখি।

অমরোমদা অদুবু স্বামি অসিমানন্দ অমসুং ভারত মোহনলাল রতেশ্বর হৌজিক বেলদা লৈবগা লোয়ননা দেবেন্দ্র গুপ্ত, লোকেশ শর্ম্মা অমসুং রাজেন্দ্র চৌধরিনা জুডিসিয়েল রিমাণ্ড মখাদা হৌজিক হায়দরবাদ সেন্ট্রেল জেলদা থম্লি।

পনবা য়াবা অমনা অজমির ডরগাহদা বোম পোকখায়খিবগী কেসতা রাজস্থানগী কোর্ট অমনা মমাঙ চহী ২০১৭ কি মার্চতা দেবেন্দ্র গুপ্ত অমসুং অতৈশিংবু পুন্সিগী ফাদোক পীখ্রবনি। –পিটিআই

## নুপী কাডর ফারে, আইইডি ১১ ফংলে

রাঞ্চি, এপ্রিল ১৫

ঝরখণ্ডদা তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনীদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা আইইডি ১১ ফংবগা লোয়ননা মিলিটেন্ট লূপ অমগী নুপী এক্টিবিষ্ট অমা ফারে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

গিরিদিহগী সুপরিন্টেণ্ডেন্ট ওফ পুলিস সুরেন্দ্র কুমার ঝানা ফোঙদোকপা মতুং ইন্না অকক্নবা পাউ ফংবদগী হৌখিবা ইরাইদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ডিষ্ট্রিক্টসিগী লোক–য়ানপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা দালদালিয়া উমংদা চত্থবা ওপরেসন অমগী মনুংদা ইম্প্রুবাইজ এক্সপ্লোসিব ডিবাইস, আইইডি ১১ ফংখি।

আইইডিশিং অদু হয়েং পাঙথোক্কদবা ম্যুনিসিপাল মীখল মনুংদা শীজিন্ননবা ওইরম্বা য়াই থাজরি হায়না এসপিনা ফোঙদোক্লি।

অমরোমদা হৌখিবা ইরাইদা সিমডেগা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা বিধুলি উমংদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অমগী মতুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মিলিটেন্ট লূপ অমগী নুপী কাডর অমা ফারে।

থৌদোক থোকফমদুদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পিষ্টোল অনী, নোংমৈ মরূ ৮০ অমদি মোবাইল ফোন তরুকসু ফংখি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোক্লি। –পিটিআই

## গুজরাটকি এক্সিডেন্টতা ১০ শিরে, ৩ শোক্লে

গান্ধিধাম, এপ্রিল ১৫

গুজরাটকি কুটচ ডিষ্ট্রিক্টতা ঙসি লকজরি বস অমনা ট্রেক্টর অমা থোমগায়বদগী নুপী তরেৎ অমসুং নুপামচা অমা য়াওনা মীওই তরা শিরে অমসুং অতোপ্পা অহুম্না শোক্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকপা মতুং ইন্না থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদা কুটচ ডিষ্ট্রিক্টকি ভচো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা শিক্রা খুঙ্গং মনাক্তা থোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, লকজরি বস অমনা থোমগায়বদুদা চহী তরারোমগী নুপামচা অমা য়াওনা ট্রেক্টরদুদা তোংলকপা মীওই মাপন খুদক্তা শিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মরিনা অরুবা ফীবমদা শোকখি।

অদুবু মনাক নকপা গবর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদা পুখৎলবা মতুং অশোকপা অমসু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি হায়না মহাক্না ফোঙদোক্লি।

ওফিসিয়েলদুনা হায়খি, মীশিমীনা নংলিবা মীওইশিং অদু শিক্রাদগী মনাক নকপদা লৈবা ভিজ পাসর খুঙ্গংদা লুহোংবগী থৌরম অমা য়াওবা চৎপগী লম্বীদা লাইবক থীবা থৌদোক অদু মায়োক্নখিবনি। –পিটিআই

## নরেন্দ্র মোদিনা অয়ুশমান ভারত স্কিমগী মখাদা অহানবা হেল্থ সেন্টর হাংদোকখ্রে

জঙ্গলা, এপ্রিল ১৫



প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং ছট্টিসগড়গী বিজাপুর ডিষ্ট্রিক্টকি মনুং চন্না লৈবা জঙ্গলা খুন্দা অয়ুশমান ভারত স্কিমগী মখাদা অহানবা হেল্থ সেন্টর হাংদোকখ্রে।

অয়ুশমান ভারত স্কিমগী মখাদা লাক্লিবা ২০২২ ফাওবদা হেল্থ অমসুং ৱেলনেস সেন্টর লাক্ষ ১.৫ হাংদোক্লবা গবর্ণমেন্টনা পান্দম থম্লিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙরাং ট্রাইবেলশিংনা মপুং ওইনা তাবা বাস্তর রিজনগী ডিষ্ট্রিক্ট তরেৎতা কিলোমিটর ৪০,০০০ শাংনা ফাইবর ওপ্টিক্স কেবল তিংগদৌরিবা বাস্তর ইন্টর্নেট স্কিমগী অহানবা ফেজসু হৌদোকখি।

বাস্তর রিজনগী মনুং চন্না লৈবা ডিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি বিজাপুর, নরায়নপুর, বাস্তর, কানকের, কোন্দগাও, সুকমা অমসুং দন্তেৱাদানি।

বিজাপুরদা চৎপা অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা মোদিনা ঙরাং গুদুম অমসুং ভানুপ্রটাপুরগী মরক্তা অনৌবা রেল লম্বী অমা হাংদোকপগা লোয়ননা পেসেঞ্জর ট্রেন অমা লমথাদুনা অৱাংথংবা বাস্তর রিজনবু লৈবাকসিগী রেলৱে মেপতা য়াওহনখি।

পনবা য়াবদি হন্দক্কি অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মমাঙ চহীদা এসেমব্লী মীখল পাঙথোকখিবা ছট্টিসগড়দা চৎপা মরিরকশুবনি।

অহানবা ওইনা মহাক হৌখিবা ২০১৫ গী মেদা দন্তেৱাদাদা চৎপগা লোয়ননা ২০১৬ কি ফেব্রুৱারীদনা নয়া রাইপুর অমসুং রাজনন্দগাওদা অমদি ২০১৬ কি নবেম্বরদনা নয়া রাইপুরদা চৎখি।

মোদিনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা খুন তরেৎতা বেঙ্ককি ৱাঞ্চশিংসু হাংদোকপগা লোয়ননা ইণ্ডিয়া বিপিও প্রমোসন স্কিমগী মখাদা হাংবা রুরেল বিপিও সেন্টর অমদসু চৎখি।

ঙরাংগী মহাক্কি খোঙচৎ মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লুপা ক্রোর ১,৭০০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা লম্বী–থোংগী প্রোজেক্টশিংগী উরেপ–উয়ুংসু তমখি।

মোদিগী খোঙচৎ অসি ডলিট লুচিংবা বিআর অম্বেদকরগী মপোক কুমওনগা ফাংননা পাঙথোকপনি।

ঙরাংগী থৌরমশিং অদুদা ছট্টিসগড়গী চীফ মিনিষ্টর রমন সিংহ অমসুং যুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর জেপি নদ্দাসু শরুক য়াখি। –পিটিআই

### স্পিসিয়েল ষ্টেটসকি ডিমাণ্ড

## ঙসি অন্ধ্র প্রদেশ অপূম্বা বন্দ কৌরি

অমরাবটি, এপ্রিল ১৫

অন্ধ্র প্রদেশতা স্পিসিয়েল কেটেগোরিগী ষ্টেটস পীনবগী ডিমাণ্ড তকশিন্দুনা মীয়ামগী ওইবা ফোরম অমনা হয়েং অন্ধ্র প্রদেশ শীনবা থুংনা বন্দ কৌখিবগা লোয়ননা বন্দ অসিবু ষ্টেটসিগী ওপোজিসন পার্টি অয়াম্বনসু শৌগৎখ্রে।

হয়েংগী বন্দ অসি অন্ধ্র প্রদেশ প্রত্যেকা হোদা সাধনা সমিতিনা কৌবনি।

বন্দ অসিবু ৱাইএসআর কংগ্রেস, কংগ্রেস অমসুং লেফট পার্টিশিংনা শৌগৎপা ফোঙদোক্লি, অদুবু ষ্টেটসিদা শক্তি পায়রিবা টিডিপিনদি বন্দ অসিগী মায়োক্তা লৈরি।

চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুনা হায়খি, চাওখৎ থৌরাংদা অপনবা থোকহনবনা মরম ওইদুনা মখোয়না বন্দশিংগী মায়োক্তা লৈ।

অদুবু ৱাফম অসিগী মতাংদা রিএক্ট তৌরদুনা ৱাইএসআর কংগ্রেসনা চন্দ্রবাবু নাইদুবু মমায় অনী লোঙবা থৌওং চত্থবগী মরাল শীরি।

ৱাইএসআর কংগ্রেসকি পোলিটিকেল এফিয়র্স কম্মিটিগী মেম্বর অম্বাতি রামবাবুনা হায়খি, ওপোজিসন লিডর ওইরিঙৈ মতমদদি চন্দ্রবাবু নাইদুনা থেংখাং কয়ারক্তা বন্দ কৌখি।

অদুবু হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরবা মতমদনা চাওখৎ থৌরাংদা অপনবা থোকহল্লি হায়রদুনা মহাক্না বন্দশিংগী মায়োক্তা লৈরি হায়না ফোঙদোক্লদুনা রামবাবুনা হায়খি, বন্দ অসি ডেমোক্রেটিক প্রোটেষ্ট মখল অমনি হায়বা চন্দ্রবাবু নাইদুনা খঙগদবনি। –পিটিআই

### ꯑꯃꯥꯟꯕ / অৱাবা ফোঙদোকপা



CTMCDC গী মতম শাংনা প্রসিদেন্টগী ফম পুবীরম্বা **শ্রী মাইসনাম তোম্বা (বোলাই) সিংহ**না লৈখিদবদা কম্মিতি অসিনা তাং ১৫–৪–১৮ দা মিনিট অনী (২) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। লোয়ননা মহাক্কী আত্মানা ঈশ্বরগী খুয়াখাদা ঈংনা চিক্না তিনখিনবা থৌনিজরি।

*Sd/- Secretary*
*Chingmakha Taba Maisnam Community Development Committee, Singjamei Chingamakha, Imphal*
TSE/368–16

Opening Offer for
Class X, XI & XII appeared students!
Register for a Spoken English Course & get a computer course free!
Other courses available:
1 month:- Adobe Pagemaker / Adobe Photoshop / Coral Draw / Microsoft Word / Microsoft Excel / Basic Computer Application / Typing.
3 months/45 days:- BCA / DTP / Tally with GST / C programming / C++ programming
6 months:- Computer Application
For details, walk in at - ACCENT, Opp. GP College main gate, Old Lambulane, Imphal, Manipur.
TSE/11-5M

Ibemhal IAS
Knowledge with Wisdom
A LOW COST CIVIL SERVICE & GRADUATE - LEVEL EXAMINATIONS INSTITUTE
FINAL COUNTDOWN
UPSC PRELIMINARY EXAM 2018
₹2 Lakh Prize Money TEST SERIES | 7 Tests starting 15th April
➡ Top 5 Aspirants: ₹20, 000/- each
➡ Top 6th to 10th Aspirants: ₹10, 000/- each
➡ Top 11th to 15th Aspirants: ₹5, 000/- each
➡ Top 16th to 25th Aspirants: ₹2, 500/- each
Last Date: Thursday, 5.00pm 12th April
TSE/D-8E+M....
PRIZES CONTRIBUTED BY 54 TEACHING & NON-TEACHING STAFFS OF Ibemhal IAS
UPSC Prelim 2018 Exam
CURRENT UPDATES (Jan/May 2017 - Till Date)
➡ KEISHAMTHONG: EVENING | 4.30pm - 6.30pm | April 11th | 40 Lectures
➡ From Hindu, PIB, Vision, Insights & Vajiram
➡ TOPICS: Indian Economy (8); Environment (7); Science & Tech (11); Polity & Governance (3); Social Issues (3); IR, Foreign Policies & Security (3); Summits, Organisations, Committees & Reports (3); Culture & Heritage (2)
14-Month UPSC Pre-cum-Main starts from June 11th at KEISHAMTHONG CENTRE. Limited Seats
* Contact details
THANGMEIBAND Centre: Lourung Purel Leikai
CHINGMEIRONG Centre: Khongnaang Ani Karak
KEISHAMTHONG Centre: Near Keishampat Junction
7629 049 230

Ibemhal IAS
Knowledge with Wisdom
A LOW COST CIVIL SERVICE & GRADUATE - LEVEL EXAMINATIONS INSTITUTE
GENERAL FOUNDATION COURSE for SSC, Bank PO/Clerical (SBI, IBPS), CDS, CAPF, LIC, Manipur Govt jobs
➡ CHINGMEIRONG: MORNING | 6.30am - 8.45am | April 24th
➡ KEISHAMTHONG: MORNING | 6.30am - 8.45am | Just Started
➡ 6 Months | 132 Lectures | Mock test (Offline & Online) for 3 years
➡ Lectures per Subject: Quantitative Apt. (55), English (30), Reasoning (25), Computer (6), Banking & Economy (6), Social Sc. & General Sc. (10)
MATHS FOUNDATION COURSE
➡ 5 Months | 110 Lectures | AFTERNOON | 11.00am-1.15pm | April 18th
➡ CHINGMEIRONG: – By Maths Wizard Sir Sunanta
➡ KEISHAMTHONG: – By Maths Wizard Sir Ramananda
SBI CLERK (JUNIOR ASSOCIATES) 2018 PRE-CUM-MAIN COURSE
➡ THANGMEIBAND: AFTERNOON | 3pm - 5.15pm | April 24th TSE/3212-15E+M
➡ 3 Months | 70 Lectures
➡ SBI Clerk Test Series held Every Sunday at CHINGMEIRONG Centre with Scholarships to Top 5 Aspirants.
THANGMEIBAND Centre: Lourung Purel Leikai
CHINGMEIRONG Centre: Khongnaang Ani Karak
KEISHAMTHONG Centre: Near Keishampat Junction
7629 049 230

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College (Children's Ideal High School)
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE for CLASS XII Sc. (COHSEM)
Class commencing on 5th April, 2018
Class timing : 4:30 pm - 7:30 pm
Faculty:
* Miss. Nonibala (Physics. COMET School)
* Sir. Sunil (Maths. Former Lec. COMET School)
* Sir. Suresh (CHEM. Former Lec. Extra Edge School)
* Miss. Leimathoi, (CHEM. MECI Explorer Academy)
* Maam. Radharani. (BIO)
* Sir. Oken. (English, MECI Explorer Academy)
Hostel & Van Service available
For more details : 7629855465 / 7005348862
TSE/3015-8,10E+M....

Please Visit
Fastrack Signage
PAONA BAZAR, NEAR BLUE BELL FASHION
CHINGMEIRONG BRANCH, NEAR CITY HOSPITAL
FEATURES:
Acrylic LED Signage
Lesser Engraving
FLEX Printing
Memento
ACP Signage
Corporate Signage
Hospital Signage
Institutional Signage Etc.
We are the authorized dealer of all kind of Signage Equipments under the brand name Edge Print




Fastrackprinters@gmail.com / Fastracksignagechingmeirong@gmail.com
+919856080024